Monday, April 26, 2021, Imphal

HUEIYEN LANPAO

## মাঙখিবা সব মেরিন ফংলে ক্রু মেম্বর ৫৩ শিরে

বালি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মিলিটরি এক্সরসাইজ অমদা শরুক য়াখিবা ইন্দোনেসিয়ন সব মেরিন অমা ইখং খঙহৌদনা মাঙখিবা অদু ঙসি থেংনখ্রে হায়না নেভিগী চীফ য়ুদো মার্গোনোনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সব মেরিন অদুদা তোংখিবা ক্রু মেম্বর ৫৩ মক শিনা ফংলে হায়রি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বালি কোষ্টতা পাঙথোকখিবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অদুদা সব মেরিন অদু শরুক য়াখিবনি। সব মেরিন অদুনা ট্রোপিদো কাপ্পগী মওং মীয়ামদা উৎনবা শেম শাখি অদুবু খঙহৌদনা লৈমায়দা লৈরিবা ষ্টাফশিংগী সব মেরিন অদুগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবগা লোয়ননা রাদারদগী সব মেরিন অদুগী সিগনেল মাঙখিবনি।

সব মেরিন অদু মাঙখ্রবা মতুং ইন্দিয়া য়াওনা য়ুমথংনরিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা থিবদা অঙম্বা মতেং পাংখি। ওথোরিটিশিংনা সব মেরিন অদু মিটর ৭০০ লোম লুবা মফম অমদা লৈরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লখ্রবসু অরুবা মফমদা লৈখিবনা মরম ওইদুনা থিবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। অদুমওইনমক রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা সোনার রদার শীজিন্নদুনা মখা তানা থিবগী থবক চথখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা সমুদ্রগী ঈমায়দগী মিটর ৮০০ লোম লুবা মফম অমদগী মাঙখিবা সব মেরিন অদুগী সিগনেল ফংবা ঙমখি। সিঙ্গাপুরনা সপ্লাই তৌরকখিবা অন্দর ৱাটর সব মেরিন ভেহিকলশিংনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা সব মেরিন অদু শরুক অহুম থোক্লা কায়রগা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি হায়রি।

## ৱার্করশিংগী মরক্তা উংখৎনখ্রে

মোগাদিসু, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

সোমালিগী প্রসিদেন্ট মোহমদ অব্দুলাহি শৌগৎপা মীওইশিংগা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংগী ৱার্করশিংগা ঙসি চাওনা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখ্রে হায়রি।

প্রসিদেন্ট অব্দুলাহিনা মহাক্কী টার্ম চহী ৪ শাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবা অদুবু ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সপোর্টরশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং অদু মোগাদিসুগী মফম খরদা থোকখিবনি। নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরকখিবা অদু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক মশীং য়াম্লবা মিলিটরি ভেহিকলশিং মোগাদিসুদা দিপ্লোয় তৌখি হায়রি।

# য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংনা লৈবাক অদুগী মরিব সিটি তান্না চঙশিল্লকপা ঙমখ্রে: মিলিটরি সোর্ছ

মরিব, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

সাওদি অরবিয়ানা বেক তৌদুনা লৈরিবা য়েমেন গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংবু হৌথি রেবেলশিংনা মফম কয়াদা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা য়েমেনগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা মরিব সিটি তান্না চঙশিল্লকপা ঙমখ্রে হায়না ঙসি মিলিটরি সোর্ছ অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌথি রেবেলশিংনা কচারাগী অৱাং নোংচুপথংবা শরুক্তা লৈরম্বা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংবু মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা নোংচুপ থংবা শরুক্তা মায় পাক্না চঙশিল্লকপা ঙমখিবনি। সাওদি অরবিয়ানা বেক তৌবা য়েমেন গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং রেবেল অদুগী মথক্তা এয়র ষ্ট্রাইক চথরবসু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিদে।

হৌথি রেবেল অমসুং য়েমেন গভর্ণমেন্ট ফোর্সকা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অদুদা মীওই কয়া শিখিবগা লোয়ননা কয়া অমা অশোক অপন নংহনখি হায়রি।

মরিবকী অৱাং থংবা শরুক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হৌজিক ঙাক শেন্দুনা থল্লি। অদুবু লেমহৌরিবা শরুক অদুদি হৌথি রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈখ্রে। রেবেলশিং



অদুনা কন্ট্রোল তৌখিবা মফমশিংগী মনুংদা লৈবাক অদুগী কোনুং সনাসু য়াওনা নুমিৎ নীনিরোম গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমসুং রেবেলগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬৫ শিখি।

শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সকী ওফিসর মরি য়াওরি। ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা য়েমেন মনুংদা তপ্পা তপ্পা অয়াম্বা শরুকশিং কন্ট্রোল তৌবা হৌরক্লি। কসারাগী শরুক অয়াম্বসু হৌথিশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈখ্রে। মরিব সিটিবু হৌথি রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌখিবা অসি ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংগী ওইনদি ঈকায়নিংঙাইনি। মরমদি হৌজিক লৈরিবা য়েমেন গভর্ণমেন্ট অসি ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা রিকগনাইজ তৌরিবা গভর্ণমেন্ট অমনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী মে থাদগী হৌরগা সাওদি অরবিয়ানা য়েমেন গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা মতেং পীদুনা হৌথি রেবেলশিংনা হান্ননা দেমিনেট তৌদুনা লৈরম্লবা কেপিটেল সনাবু অমুক হন্না গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিবনি। চহী অসিগী হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইরগা মীওই ১৩,৬০০ ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে।

লৈবাক অদুদা থক্লবা অশেংবা ঈশিং, ইলেক্ট্রিসিটি অমদি মরু ওইবা সেক্তর কয়া চাওনা শিথবা হৌরক্লে। হৌথি রেবেলশিংনা য়াম্না তোয়না গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌরিবা এরিয়শিংদা মিসাইলশিং কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথরি। মসিনা মরম ওইরগা অচৌ অচৌবা দুকান অমদি ইন্দষ্ট্রিজ কয়া থোঙ লোন্নবগী মরম ওইরক্লি।

য়েমেনদা লৈরিবা মীয়াম অৱাবা ফীভম অমদা লৈরি হায়না য়ুনাইটেদ রেফ্যুজি এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি। এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না য়েমেনদা লৈরিবা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগী য়েংলগা নাকল অনীমক্না ৱারী শান্নদুনা অথুবদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনগদবনি। মদু নৎত্রবদি মখা তানা লৈবাক অদুদা অহেনবা মীশি মীনা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরি।

হৌথি রেবেলশিংগী মায়কৈদগী মখোয়না য়েমেনগী নিংথৌ খালিদকী এয়র বেজদা দ্রোন এটেক চথদুনা চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি। অদুবু সাওদিনা লুচিংবা কোলিএসন টিম অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্নদি রেবেলশিংনা চথরকখিবা নোংথক্কী এটেকশিং অদু এয়র দিফেন্স সিষ্টেমনা লৈমায় য়ৌরক্ত্রিঙৈদা মাঙহন তাকহনখ্রে হায়রি। অমরোমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনসু ৱাথোক অসি ৱারী শাদুনা লোয়শিন্নবা তকশিল্লক্লি।

# লৈবাক খরনা ইন্দিয়াগী ফ্লাইট সার্ভিস কেন্সেল তৌখ্রে



দুবাই, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থুনা য়াঙনা শন্দোরক্লিবা অদুগী য়েংলগা ক্বেট, ইরান অমসুং জর্ম্মনিনা মখোয় মখোয়গী ওইবা ইন্দিয়াগী ফ্লাইট সার্ভিসশিং মতম খরগী ওইনা কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি।

য়ুনাইটেদ অরব ইমাইরেটনসু হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা ইন্দিয়াদগী লৈবাক অদুদা লাক্কদবা ফ্লাইট খুদিংমক সস্পেন্দ তৌখ্রে। ইন্দিয়াদা হন্দক নৌনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ ভেরিয়েন্ট অসি মপাঙ্গল কন্নবনা মরম ওইরগা মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিংদা চৈথেং পীরক্তনবগীদমক ফ্লাইট সার্ভিসশিং মতম খরগী ওইনা কেন্সেল তৌখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ক্বেট গভর্ণমেন্টগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিদগী হৌরগা ইন্দিয়াদগী লাক্কদবা ফ্লাইট খুদিংমক সস্পেন্দ তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি। মখা তানা অনৌবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিফাওবা কম্মর্সিএল ফ্লাইটশিং য়াওনা সার্ভিস খুদিংমক সস্পেন্দ তৌরগনি। অদুমওইনমক ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ১৪ নিগী মনুংদা ক্বেট সিটিজেনশিংদি লৈবাক অদুদা লাকপা য়াবগী অয়াবা পীরি। ইরানগী ওইনসু হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানদগী লাক্কদবা ফ্লাইট সার্ভিসশিং সস্পেন্দ তৌখিবনি। চপ মান্ননা জর্ম্মনিনসু ফ্লাইট সার্ভিস সস্পেন্দ তৌবগী ফিরেপ অদু লৌখিবনি।

## হেলিকোপ্টর কায়বদা অঙাং য়াওনা ৪ শিরে



হরারি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

জিম্বাবৱেগী মিলিটরি হেলিকোপ্টর অমা ঙসি লৈবাক অদুগী কোনুং হরারিদা লৈবা য়ুম অমগী মনাক্তা কায়বগী থৌদোক্তা অঙাং অমা য়াওনা হেলিকোপ্টর অদুদা তোংলকখিবা ক্রু মেম্বর ৩ শিখ্রে হায়না এয়র ফোর্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু হরারিদগী কিলোমিটর ৩০ রোম চৎলগা লৈবা অলটরস ভিলেজদা থোকখিবনি। হেলিকোপ্টর অদু খুঙ্গং অদুদা লৈবা য়ুম অমদা কন্ট্রোল ঙমহৌদবদগী য়ৌশিন্দুনা পোকখায়খিবনি। মদুদা পাইলোট অনী য়াওনা টেক্নিসিয়ন ১ শিখি। থৌদোক অদুদা লৈমায়দা শান্নদুনা লৈরম্বা অঙাং অমসুং শিখি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাং অদুগী মমা অমসুং চহী নৌরিবী নুপী মচা অমসু শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নরি। জিম্বাবৱেগী মানয়ামে এয়র বেজদগী হেলিকোপ্টর অদু পাইখৎখ্রবা মতুং মিনিট খরা লৈরগা গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি।

থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু পাইলোটশিংনা কন্ট্রোল ঙমহৌদবদগী থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারিবা হায়না এয়র মার্সেল মোয়োনা ফোঙদোরক্লি।

## বংলাদেশনা ইন্দিয়াগা তাইনবা ঙমখৈ থিংজিনখ্রে

ধাকা, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অমনা অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অদুগী য়েংলগা বংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুদা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ইন্দয়াগা তাইনবা লৈবাক অদুগী ঙমখৈগী শরুকশিং চয়োল অনীগী ওইনা থিংজিনখ্রে হায়রি।

বংলাদেশকী হোম মিনিষ্টর অসাদুজামান খান কমলনা ঙসি হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশকা তাইনবা ঙমখৈ হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা থিংজিন্নবা খন্নখি। অদুবু খুদক্কী ওইনা থিংজিনবদা খুদোংচাদবা কয়া নাকল অনীমক্কী মীয়াম্না মায়োক্লগদৌবা মরম্না ঙসিদগী থিংজিনখিবনি।

ইন্দিয়াদা থুনা য়াঙনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দারকপগী মরম ওইরগা অনাবা মীওইশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না সপ্লাই তৌবা ঙমদবা অমদি হোস্পিটালদা অনাবশিংগী লৈফম লৈরক্তবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। ইন্দিয়াদা হৌখিবা পুং ২৪ খক্তদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৩,৪৯,৬৯১ থেংনখি হায়রি।

# এন্টি করপসন নেটৱার্কশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টনরশিংদা অথিংবা থমজিল্লবা য়ানা লৈরে



মোস্কো, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

রুসিয়ন ওথোরিটিনা হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনিগী এন্টি করপসন নেটৱার্ক অমদি পোলিটিকেল পার্টনরশিংগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লকপা য়ানা লৈ হায়না নভালনিগী য়াম্না নক্না চৎমিন্নরিবা ইভান ধানোবনা ফোঙদোরকপদা রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনদা খ্বাইদগী অয়েৎপা পীরক্কদৌরিবা অসি হৌজিক হৌজিক জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা নভালনিনি। লৈবাক অদুগী মীয়াম্না নভালনিবু মপুং ফানা শৌগৎলবসু হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্তা লৈরিবা অচৌ অশাংশিংনা পুটিনগী নাকলদা লেপখিবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী অপাম্বগী ওন্না তৈনবদা লৈরি।

নভালনিগী এন্তি করপসন নেটৱাকশিং থিংজিন্নবা রুসিয়ন ওথোরিটিনা হোৎনরক্কদৌরিবা অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ব্লাদিমির পুটিনগী পোলিটিকেল কেরিয়রদা অকায়বা পীরক্তনবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মোস্কোগী কোর্ট অমনা নভালনিগী পোলিটিকেল গ্রুপ অমসুং মহাক্কী এন্টি করপসন ফাউন্দেসনবু এক্সত্রিমিষ্ট ওর্গনাইজেসন ওইনা লাউথোক্লবা য়ানা লৈরি।

মসিদা নত্তনা লৈবাক অদুদা রেফ্রিজেরেটর মেগনেটশিং য়োনবা নৎত্রগনা নভালনিগী স্লোগান ‘রুসিয়া ৱিল বি হেপ্পি’ হায়না থাবা ফুরিৎ লিংপা মীওইশিং ফাওবা জেলদা থল্লবা য়াবগী অকিবা লৈরি। নভালনিগী টিম মেম্বরশিংনা মখা তানা নভালনিগী মতুং ইন্না চৎলক্লবদি য়ামদ্রবদা চহী ৬ কী জেল ফাদোক পীরবা য়াই হায়রি।

রুসিয়ন ওথোরিটিনা নভালনি অমসুং মহাক্কী এলাইশিংবু মীখল মায়োক য়াবদা অথিংবা থমজিন্দুনা লাক্লি। প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লুবা মীওই কয়াদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। রুসিয়ন ওথোরিটনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা মীওইশিং ফাবা অমদি হাৎপগী থবক চথরি।

মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীওই খরদি ব্লাদিমির পুটিনগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা ঙমদনা লৈরি। হন্দক্তা নভালনিবু অফবা হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌদুনা ট্রিটমেন্ট চথহনগদবনি হায়না খোঙজং চঙশিনখিবা মীওই খরসু রুসিয়ন ওথোরিটিনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

# হোস্পিটাল মৈ চাকপগী থৌদোক্তা ৮২ শিরে

বাঘদাদ, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

ইরাক্কী কোনুং বাঘদাদ লৈবা কোরোনা ভাইরস ইন্টেসিভ ক্যের য়ুনিট অমা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৮২ শিখ্রে অদুগা ১০০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ইরাক্কি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হোস্পিটাল খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখিবা অদুগী মতাংদা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা হায় লেভেল কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহন্নবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনখিবগা লোয়ননা চেকশিন্দবদগী থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না মীয়ামনা ওথোরিটিশিংদা ব্লেম তৌরি।

ইবন অল-খাটিব হোস্পিটালদা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদু ওক্সিজেন টেঙ্ক অমা পোকখায়বদগী থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না মেদিকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্ক রক্লি। হোস্পিটাল অদুদা ফায়র প্রোটেক্সন সিষ্টেম লৈতবনা মরম ওইরগা মৈ অদু থুনা য়াঙনা শন্দারকখিবনি।

হোস্পিটাল অদুদা লৈরিবা পেসিয়েন্টশিংগী মরী মতাশিংনা লৈরিবা মখোয় মখোয়গী অনাবশিং অদুবু কন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। মৈ অদুকা হেন্না কন্না চাকখৎলকপদগী মথক থংবা শরুক্তা লৈবা মীওই কয়া থোঙনাও হাংদোক্তুনা চোংথরকপা মীয়াম্না উনখি।

# তেংবাং পীনবগীদমক প্রসিদেন্ট বাইদেনদা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অদুগী মতাংদা য়ু এস লো মেকরশিংনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট জো বাইদেনদা মতেং পীনবগীদমক অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এস সেনিটর বর্নি সেন্দরনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা নুমিৎ খুদিংগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী কেস মশীং রেকোর্দ ওইনা হেনগৎলক্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা য়ু এসনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবগী মহুত্তা ইন্দিয়াদা পীবা য়াবা মতেং পীনবা হোৎনগদবনি। ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা লৈবাক অদুদসু কোভিদ ভেক্সিনেসগী থবক থুনা য়াঙনা পায়খৎনবা হোৎনগদবনি।

য়ু এসনা ইন্দিয়াদা মতেং পীবা হায়বসি চাওথোকচনিংঙাইনি। য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা পাল্লিবা অমেরিকানশিংবু মীয়াম্না ঈকায়খুম্নবা উৎপা হায়বদু অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা মতেং পাংলবদি মশা মরোমদোম লাকচগনি।

য়ু কেদা থেংনখিবা অনৌবা কোভিদ ভেরিয়েন্ট অদুদগী ইন্দিয়াদা হন্দক শন্দোরক্লিবা কোভিদগী ভেরিয়েন্ট অসিনা মপাঙ্গল কনবা য়াম্না হেল্লি। অমদি লৌনগনবগী চাংসু হান্নদগী শরুক অনী হেল্লি। মরম অদুনা অনৌবা কোভিদকী ভেরিয়েন্ট অসিনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা চৈথেং পীরক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা য়ু এসনা ইন্দিয়াদা মতেং পীদুনা কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনগদবনি হায়রি। প্রোমিনেন্ট দিমোক্রেট লো মেকর ইদ মার্কিনসু য়ু এস লো মেকরশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু শৌগৎখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা মতেং পাংগবনি হায়রি।

# মালেমগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৮,৯৩,০০০ থেংনখি

পেরিস, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

হৌখিবা পুং ২৪ দা মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৮,৯৩,০০০ হেন্না থেংনখি হায়না এ এফ পিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা রেকোর্দ ওইনা কোভিদ-১৯ গী কেস মশীং হেনগৎলকপদগী মালেমগী ওইনসু হেনগৎলকখিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইন্দিয়াদা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদকী কেস লাক্ষ অহুমগী মথক্তা হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়াম তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লাকখ্রে। হৌখিবা চয়োল অসিদা মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ গী কেস ৫.৫ মিল্লিয়ন হেন্না থেংনখি। অদুবু হায়রিবা অসিগী মনুংদা মিল্লিয়ন ২ দি ইন্দিয়া খক্তদা থেংনখিবনি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা ইন্দিয়াদা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২,৬২৪ শিহনখ্রে। হায়রিবা অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অদুদা শিখিবা মশীং ১,৯০,০০০ শুখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়াগা মান্ননা কোভিদ-১৯ গী চৈথেং ফংলিবা অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেট (চয়োল অমগী মনুংদা অনৌবা কেস ৪,৯০,০০০), ব্রাজিল (৪,৫৯,০০০) অমসুং টর্কি (৪,০৪,০০০) নি। এ এম পিগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দগী হৌজিক ফাওবদা কোভিদনা শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ১৪৫,৫৪৪,৬৪৬ য়ৌখ্রে হায়রি।

## কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 42,30,000+67,160 | 34,70,000+63,818 | 63,928+676 |
| Kerala | 13,80,000+26,685 | 11,70,000+7,067 | 5,080+25 |
| Karnataka | 13,00,000+29,438 | 10,60,000+9,058 | 14,283+208 |
| Tamil Nadu | 10,70,000+14,842 | 9,52,000+9,142 | 13,475+80 |
| Uttar Pradesh | 10,50,000+37,944 | 7,52,000+23,231 | 10,959+222 |
| Andhra Pradesh | 10,20,000+11,698 | 9,32,000+4,421 | 7,616+37 |
| Delhi | 10,00,000+24,103 | 8,98,000+22,695 | 13,898+357 |
| West Bengal | 7,28,000+14,281 | 6,36,000+7,584 | 10,884+59 |
| Chhattisgarh | 6,40,000+16,731 | 5,10,000+17,029 | 7,111+218 |
| Rajasthan | 4,99,000+15,355 | 3,67,000+4,959 | 3,527+74 |
| Madhya Pradesh | 4,86,000+12,918 | 3,91,000+11,091 | 5,041+104 |
| Gujarat | 4,82,000+14,097 | 3,68,000+6,479 | 6,171+152 |
| Haryana | 4,13,000+10,491 | 3,40,000+5,104 | 3,703+60 |
| Odisha | 4,01,000+6,647 | 3,59,000+3,464 | 1,981+8 |
| Telangana | 3,95,000+8,126 | 3,30,000+3,307 | 1,999+38 |
| Bihar | 3,91,000+12,359 | 3,07,000+6,741 | 2,087+77 |
| Punjab | 3,32,000+5,663 | 2,77,000+2,949 | 8,356+92 |
| Assam | 2,36,000+2,236 | 2,19,000+619 | 1,186+14 |
| Jharkhand | 1,96,000+5,152 | 1,48,000+2,865 | 1,888+110 |
| Jammu and Kashmir | 1,58,000+2,030 | 1,38,000+944 | 2,126+15 |
| Uttarakhand | 1,47,000+5,084 | 1,12,000+1,622 | 2,102+81 |
| Himachal Pradesh | 86,138+2,073 | 71,423+884 | 1,304+24 |
| Goa | 75,184+1,540 | 62,113+485 | 993+17 |
| Puducherry | 52,271+899 | 44,767+453 | 737+9 |
| Chandigarh | 37,943+711 | 32,608+428 | 433+3 |
| Tripura | 34,529+100 | 33,408+18 | 394 |
| Manipur | 30,281+130 | 29,193+13 | 383+2 |
| Arunachal Pradesh | 17,546+116 | 16,940+19 | 56 |
| Meghalaya | 15,786+155 | 14,384+148 | 158+1 |
| Ladakh | 13,237+148 | 11,129+209 | 136+1 |
| Nagaland | 13,003+114 | 12,350+12 | 95+1 |
| Sikkim | 7,158+121 | 6,223+16 | 137 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 6,379+237 | 4,471+118 | 4 |
| Andaman and Nicobar Islands | 5,614+45 | 5,410+52 | 66+1 |
| Mizoram | 5,388+105 | 4,663+36 | 13+1 |
| Lakshadweep | 1,962+157 | 917+33 | 1 |

# ‘জকার্টাদা পাঙথোকখিবা লুচিংবশিংগী মীফম ম্যান্মার মীয়াম্বু ঈকায়বা পীবনি’

নেপিদো, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অদুগী মতাংদা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সশিংগী লুচিংবশিংগা ম্যান্মার মিলিটরিগী সেনিয়র জেনরেল মিন অংগা উন্নখিবা অদু ম্যান্মারদা লৈরিবা মীয়ামশিংবু ঈকায়বা পীবনি হায়না রাইটস গ্রুপ অমনা ফোঙদোরক্লি।

জকার্টাদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা ম্যান্মার জেনরেল মিনদা হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অদু লোইশিন্নবা ৱাফম ফোঙদোকখিদে। মীফম অদুদা মরু ওইনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগী মতাংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শানবা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংনা তকশিনখি। অদুবু মীয়াম্না পাল্লিবা হান্নগী লুচিংবশিং থাদোকপা অমদি অমুক হন্না লৈবাক অদুদা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্ট লৈহনবা হায়বগী মতাংদদি লৈবাক অমত্তা ফোঙদোকখিদে। মসি




পাঙথোকখ্রিবা মীফম অদুদা ম্যান্মার মীয়ামগী হকপু ঈকায়খুম্নদবনি হায়না লৌই।

এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবদা ম্যান্মারগী মিলিটরি লুচিংবা মিনগা এসোসিয়েসন অসিগী লুচিংবশিংগা পোইন্ট ৫ দা য়ানবা পুরকখ্রে। পোইন্টশিং অদুদি মিলিটরিনা মীয়ামদা চথরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং খুদক্তা লেপ্পা, মিলিটরি লুচিংবশিং অমদি লৈহৌরিবা পার্টি লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নবা, অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী মতেং পীরকপদা অয়েৎপা পীদবা, এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সকী এনভোয় অমা খন্না নৈনবদা য়াওহনবা অমদি ম্যান্মারদা য়াম্না তোয়না ভিজিট তৌবা মতমদা অয়েৎপা পীদবা হায়বা ৱাফম অসিনি।

জকার্টাদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ম্যান্মার মীয়াম্না চাওনা থাজবা থমখি। অদুবু মদুগী ওন্না তৈনবদা এসোসিয়েসন অসিনা কান্নদবা ফিরেপ কয়া লৌখিবা অদুদি ম্যান্মার মীয়াম্বু ঈকায়বা পীবনি। নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নখিবা য়ানবা পুরক্কনি হায়বা থাজবা লৈবদগী ঙরাং অমসুং ঙসি খোঙজং চঙশিনখিদে। অদুমওইনমক হৌজিক ওইরল্লিবা ফীভম অসিদদি মখা তানা ম্যান্মার মীয়াম্না অমুক হন্না লম্বীদা থোক্তুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি।

মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রিফাওবা মখোয়গী খোঙজংদা অহোংবা লৈরোই হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংনা মতম চুপ্পদা কাওরোয়দবনি হায়রি। পনবা য়াবদি হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরিনা লুচিংবা লৈবাক অমা লাকখিবনি। নুমিৎ অদুদগী হৌরগা ম্যান্মারদা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং খোঙজংলোয়শিংগা মুক্লবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা ৭৪৮ শিখ্রে হায়রি।